# এদিক অমগী য়াজবা, থাজবা অমসুং ফিরেপ লৌবগা লোয়ননা হকথেংনরকপা

ঐহাক্না এন:এ: প্রোগ্রাম থেংনরকপা মতমদগী ঐহাক্কি শমস্যা মশক খঙখি — ঐহাক তোক্লিংবগী অপাম্বদি লৈখি অদুবু তোক্লবগী লম্বেলদি খঙখিদে। এদিকশনগী মওং মতৌ অদুনা মরম ওইদুনা ঐহাক্কী শক্তম অপুন্বা ফংননবগী, শিজিন্ননবগী অমসুং খরা হেন্না ফংননবগী পাম্বে অমদি লম্বি থিবদা মায় ওনশিনখি। ইশাদা য়াওবা গুনশিং অদুনা ইশা ইথন্তগী ৱাখলদা উঙদুনা লৈহন্নবগী মচাক ওইখি। মপুঙফানা ইশাগীতা খনখিদুনা, ঐহাক্না মীওইশিং অমসুং অতোপ্পা উপাই শিজিন্নদুনা ঐগী ওইজবরোমদা ঐগী পুন্সিবু শিঞ্জনবা হোৎনখি। ঐহাক অফ-ফত্তগী জ্ঞান অপুন্বা মাংখ্রে। ঐহাক্কি মরু ওইবা হিংনবগী ঈহুল অদুগী মায়োক্তা, ইশাবু মাংহনজবনি খংলবসু, উঙদুনা লৈবা ৱাখলনা চিংদুনা ঐগী অনিংবগী মায়োক্তা, ঐহাকপু হন্না হন্না দ্রগ শিজিন্নহনখি। জ্ঞান য়াওদ্রবা অমসুং মপুঙফানা আশা মাংখ্রবদা, ঐহাক লাম্থেংনবা তোকখি লোয়ননা ঐহাক এদিক অমনি হায়না য়াজরকখি — মদুদি ঐহাক্কি পুন্সি মপুং ফানা মথোং খঙলকখিদ্রে, অমদি ঐহাক লাইনাদুগী মথক্তা শক্তি লৈত্রে। ঐহাক্কী খাংবা ঙম্বগী পাঙ্গলনা দ্রগ চাদবা য়াদে হায়বগী অপাম্বনা থল্লবা লাইচুরবা হকচাং অদুবু হোংদোকহনবা ঙমখিদে। তাইবঙপান্দগী নাম্থোক্লবা পুক্লিং-ৱাখল হোংহনবা পোৎচাক শিজিন্ননিংবগী অপাম্বদা উঙদুনা লৈখিবনা, ঐহাক্কি ইশা ফাথনবা পাঙ্গলনা ঐগী লাইচুরবা ৱাখলবু হোংহনবা ঙমখিদে। ঐহাক্কী খ্বাইদগী ৱাংলবা ফিদম্না ফাওবা ঐগী নুংগী অনাবা অদুবুদি হোংহনবা ঙমখিদে — তাৎ তৌবা, লৌনম্বা, অমসুং মপুং ফানা ইশাগীতা খনবা। ঐহাক্কি শক্তি লৈতবা অদুগী অশেংবা মশক অদু হেক য়াজরকপগা, ঐহাক মখা তানা দ্রগ শিজিন্নরুবগী মথৌ তাখিদ্রে। ঐহাক্কী ফিভম অসিবু য়াজবা — এদিকশনগী মথক্তা ঐহাক্কী শক্তি লৈতবা অমসুং ঐহাক্কী পুন্সি মথোং খংলক্তবা — হায়বসি ঐহাক্কী ফগৎলকপগী হৌরকফমগী মরুনি।

এন:এ: মীতিংদা ফগৎলক্লিবা এদিকশিংগী মতেংগা লোয়ননা, ঐহাক নিশা থাদোরকখি — মীনট অমা , পুং অমা, নোংমগী চাংদা। ঐহাক নিশা কাবদু অদুমক পামখি। পুন্সি অসি দ্রগ য়াওদ্রবদি খাংবা ঙমদবগুম ফাওখি । নিশা থাদোরকপনা হান্নদগী হেন্না আশা য়াওদ্রবা ৱাখল অমা পোকখি, অমসুং, মদুবু থেংননবা, ঐহাক্কি পুক্লিংনা ঐবু অমুক হন্না দ্রগ শিজিন্ননবা ইনশিনখি। ঐহাক্কী শক্তি লৈতবা অমসুং মথোং খংদ্রবা পুন্সি অদুগী য়াজবা অদুনা ইশাবু মাংহনজবগী মতৌ অদুবু হোংদোক্লবা ঐহাক্কি লায়নাদগী হেনবা শক্তি অমগী মথৌ তাবদু ঐগী পুন্সিদা ফাওহনখি। মীতিংশিংদা থেংনবা মীওইশিংনা ঐঙোন্দা হায়বিরকখি মদুদি মখোয়গী এদিকশন্দগী হেনবা শক্তি অমা এন:এ: প্রোগ্রামদা থেংনরে। মখোয়শিংদু থা কয়া নৎত্রগা চহি কয়া শেংনা লৈরক্লবা অমসুং অমুক হন্না মখা তানা শিজিন্নবা ফাওবা পামদ্রবা মীওই ঙাক্তা ওইখি। মখোয়না ঐঙোন্দা হায়খি মদুদি এন: এ: প্রোগ্রামদুগা চান্ননা হিংবনা ঐহাক্কী দ্রগ শিজিন্ননিংবগী অপাম্বা অদু কোকহনবা ঙমগনি। ঐহাক মখোয়বু থাজবা নত্তনা অতৈ পাম্বে লৈখিদে। ঐহাক মমাংদা দোক্টর, সাইকিয়াট্রিস্ট, লায়েংশঙ, মেন্তেল ইন্সটিট্যুসন, শিনফম হোংবা, লুহোংবা, খাইনবা কয়া হোৎনখ্রে ; পুন্নমক মায় পাকখিদে। মদুদা আশা উখিদে, অদুবু এন:এ: দদি ঐহাক আশা উখি। মখোয়গী লায়নাদগী ফগৎলক্লিবা এদিকশিং ঐহাক থেংনখি। দ্রগ য়াওদনা করম্না হিংগনি হায়বদু ফংজবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা অমা ইশাদা লাকখি। হোংদোকচবা হৌবগী মথৌ তাবা য়াজবা অদু ঐহাক্না এন:এ: দা ফংজখি।

মতাং অদুদা ঐহাক দ্রগ শিজিন্নবা তোক্লে, অদুবু মখা তানা থাদোকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবদু চিংনজখি। ঐহাক দ্রগ শিজিন্নদবা খক্তনি, ঐহাক এদিক অমগুম অদুমক লৈখি। ঐহাক্কী শক্তম অমসুং লিচৎ-শাজৎ মমাংদা ওইখিবা অদুগা চপ মান্ননা লৈখি । হায়রিবশিংসিনা ইশাবু মাংহঞ্জনবা লম্বেলদা অমুক হন্না ইনশিনখি। ঐহাক হোংবা মথৌ তাখি নৎত্রগদি ঐহাক অমুক হন্না শিজিন্নবা হৌরম্লগনি । ঐহাক্কি ফিভম অদুবু ইশানা য়াজখি, অমদি ঐহাক ফগৎলকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ফাওরকখি। মদুম্না পাংথোক্লবা, এন:এ: প্রোগ্রামগী নুংগী ওইবা ফিরেপশিংদা মপুঙফানা ফিরেপ অমা লৌবা তারকখি।

ঐহাক্কী স্পোনসরগী মতেঙ্গা লোয়ননা, ঐনা থাজজরিবা ঈশ্বর, মহাক্কি মফমদা ঐহাক্কি পুন্সি অমসুং অপাম্বা অদু শিন্নজনবা ৱারেপ লৌজখি। ঐগীদমক্তদি, মসি হোংলকপগী তানফম অমা ওইখি। ৱারেপ অসিনা, মখা তানা য়াজবা, হেন্না-হেনগৎলক্লিবা থাজবা অমসুং নোংমগী চাংদা ফগৎলকপগী ফিরেপ অমা লৌবা মথৌ তারকখি। ঐহাক্কি পুন্সি অমসুং ৱাখলবু ঈশ্বরদা শিন্নজনবগী ৱারেপ লৌবদা ইশাগী মরমদা থিজিনবা অমদি তাইবংপানবু মায়োক্লবগী মওং হোংদোকপা অমা মথৌ তারকখি। হায়রিবা ফিরেপ অসিনা ঐহাক্কি পুন্সিদা পুকচেল শেংবা হায়বদু পুরকখি। মসুম্না এন:এ: প্রোগ্রাম্না ঐহাক্কিদমক্তা থবক পাঙডি : ঐহাক্কি লায়না য়াজরে, প্রোগ্রামসিনা ঐহাকপু হোংহনবা ঙমলগনি হায়বগী থাজবা লাক্লে অমসুং ফগৎলকপগী নুংগী ওইবা ফিরেপশিংদা ফিরেপ অমা লৌরে।

থবক পাঙবা অসি হৌজিক মথৌ তারে। করিগুম্বা ঐহাক্না হোংদ্রগদি, ঐহাক অৱাবা মায়োক্লরক্কনি অমসুং অমুক হন্না শিজিন্নরক্কনি। এন:এ: প্রোগ্রামনা হায়বিরম্বা থবকশিংনা ঐহাক্কী শক্তম অমসুং লিচৎ-শাজৎ হোংহনবা ঙমগনি। ঐহাক থম্মোয় শেংনা ইশাগী মরমদা থিজিনজরে, ঐহাক্না করি তৌখিবা অমসুং করি ফাওজখিবা হায়বদু ইশিল্লে। ঐহাক্না ঐহাক্কি ঈশ্বর অমসুং অতোপ্পা মীওই অমদা, ঐহাক্কী খ্বাইদগী অরোনবা অকিবা, অশাওবা অমসুং মলোমশিং হাইদোক্তুনা মপুঙফানা ফোংদোকচরে। থবকশিং অসি পাংথোকপনা, হৈখ্রবা মতম্না মখা তানা ঐহাক্কি পুন্সিবু খুদুম চন্দ্রে, অমসুং ঙসিদি ইশাগী ফিদমদু য়ৌনা নিংতম্না হিংবা ঙমহল্লে। ঐহাক হোংবা হৌরক্লে, অমসুং ঈশ্বর, মহাক্না ঐহাকপু ওইহন্নিংলিবা মীওইদুমক ওইনবা হোৎনবদা শেম শাজরে।

তাইবঙপান্দা য়ুম্ফম ওইদুনা, ঐহাক্কি অশোয়বশিংদুবু লৌথোকপীখিনবা হায়জবগা লোয়ননা, ঐহাক চাওরাকপা ইশাগী শকফম অমা শাগৎপা হৌরক্লে।

ঐহাক্না অতোপ্পা মীওইশিংদা তৌখিবা অরানবশিং অদু শেংদোক্তুনা , ঐহাক ইশাবু অমসুং অতোপ্পবু করম্না ঙাকপীগনি হায়বদু খঙজবা হৌরক্লে।

ঐহাক্না ঐহাক্কী শাজৎপু চাং নাইনা য়েংশিল্লি অমসুং য়ারিবমখৈ থুনা ঐহাক্কী অশোয়বশিং চুমথোকই । ঐহাক্না লেপ্পা লৈতনা নুংগী ওইবা ফিরেপশিংদা থম্বা থাজবদু শেমগৎলক্লি অমসুং হেনগৎনবা হোৎনরি। ঐহাক্না ইশাগী অমদি প্রোগ্রামগী মরমদা য়েন্নদুনা অতোপ্পদা পীথোকই অমসুং ঐহাক্না ফংজরকপা ফিরেপশিং অদুগা চান্ননা হিংননবা হোৎনৈ। খোংথাং তরানিথোই অসিনা ঐহাকপু শিজিন্নদবা ঙমহল্লি, শিজিন্ননিংবগী অপাম্বা অদু লৌথোকখি অমসুং ঐঙোন্দা অনৌবা পুন্সি লম্বেল অমা পীবিরে।

Copyright © 1999 by
Narcotics Anonymous World Services, Inc.
হক খুদিংমক অফোঙবগীনি।

World Service Office
PO Box 9999
Van Nuys, CA 91409 USA
Tel. (818) 773-9999
Fax (818) 700-0700
Website: www.na.org

World Service Office–EUROPE
48 Rue de l'Eté
B-1050 Brussels, Belgium
Tel. +32/2/646-6012
Fax +32/2/649-9239

World Service Office–CANADA
150 Britannia Rd. E. Unit 21
Mississauga, Ontario, L4Z 2A4, Canada
Tel. (905) 507-0100
Fax (905) 507-0101

মশি এন:এ: ফেলোশিপনা অয়াবা পীরবা সাহিত্যাদগী হনদোকচবনি।

Narcotics Anonymous, , , , and The NA Way
রেজিস্টার তৌরবা খুদমশিংনি।
Narcotics Anonymous World Services, Incorporated.

ISBN 1-55776-398-4 Manipuri 2/04

WSO Catalog Item No. MP-3114

**Narcotics Anonymous®**

**নার্কোতিক্স এনোনিমশ**

IP No. 14-MP

# এদিক অমগী য়াজবা,
# থাজবা অমসুং
# ফিরেপ লৌবগা
# লোয়ননা হকথেংনরকপা